# য়ুনাইটেদ ষ্টেট পোলো এসোসিএশন অমসুং শিরোই টিম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ১৮ ঃ

নুপীগী পোলো অমসুং টুরিজমবু হেন্না চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা ঙরাংদগী ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা নুপীগী টিম মরিনা শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা অহানবা ষ্টেটহুদ ৱিমেন'স ইন্টরনেসনেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি নীনি চনবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেচতা শিরোই টিম অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট পোলো এসোসিএশন (য়ু এস পি এ) মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা শিরোই টিমনা কংলা পোলো টিমবু গোল ৯-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটতগী নুপী পোলো টিম অমা অমসুং মণিপুরগী নুপী টিম অহুম পূন্না টিম ৪ না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম খুদিংমক্তা য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী শান্নরোয় অমমম হাপচিন্দুনা টিম শেল্লগা শান্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মেচশিং য়েংনবগীদমক মীওই কয়ানা মপান কাংজৈবুংদা লাক্লখি।



অহানবা মেচ অদুদা শিরোইগী শান্নরোয়শিংনা কংলাগী শান্নরোয়শিংবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মায় পাক্লবা শিরোই টিমগী হাবে অমসুং এ রোমাবতিনা পাঞ্জল অমমম অহানবা চক্রদা চনখি। অনীশুবা চক্রদা হাবেনা পাঞ্জল অনী অদুগা জুলিয়ানা পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা জুলিয়ানা পাঞ্জল অনী অদুগা রোমাবতিনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেচ অদুগী মরিশুবা চক্রদা হাবেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শিরোই পোলো টিমগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি। মেচ মায়থীহৌরবা কংলা পোলো টিমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু খৃষ্টিনানা অহানবা চক্রদা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচদা য়ুনাইটেদ পোলো এসোসিএশন্না শঙাই টিমবু পাঞ্জল ৭-৫ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা য়ু এস পোলো এসোসিএশন অমসুং শঙাই পোলো টিমগী শান্নরোয়শিংনা চাং মান্নরপ তৌনা শান্নখি। মায় পাক্লবা য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী সুনিতা অমসুং টিয়ামোনা পাঞ্জল অমমম অহানবা চক্রদা চনখি। অনীশুবা চক্রদা টিয়ামোনা পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা এস সুনিতানা পাঞ্জল অনী অদুগা মরিশুবা চক্রদসু এস সুনিতানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৭ শুখি।

শঙাই পোলো টিমনা অনীশুবা চক্রদা পাঞ্জল ৪ চনখি। আর নিলুনা পাঞ্জল অনী, কার্লি অমসুং তম্নানা পাঞ্জল অমমম চনখি। টিমদুগী মঙাশুবা গোল কার্লিনা অরোইবা চক্রদা চনখি।

# ৱেঠলিফ্টর এন কুঞ্জরানি অমসুং জফর ইগবালনা সাউথ এসিয়ন গেমসকী টোর্চ রিলে হৌদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জানুৱারি ১৮ ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা অৱাং নোংপোক্কী সিটি অনী গুৱাহাটি অমসুং শিল্লোংদা ফেব্রুৱারি ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস (এস এ জি) কী টোর্চ রিলে ঙরাং মেজর ধয়ান চান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদগী ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা শান্নরোয় জফর ইগবাল অমদি ৱেঠলিফ্টর এন কুঞ্জরানি দেবী অনীনা হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন (আই ও এ) গী প্রসিদেন্ট এন রামাচন্দ্রননা টোর্চ অদু য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অমদি গেমস অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চিয়ারমেন সরবানন্দা সোনোৱালদা খূৎশিন্নখি। টোর্চ অদু মৈ চুখৎলবা মতুং সোনোৱালনা ওলেম্পিক হোকিগী গোল্ড মেদলিষ্ট জফর ইগবাল অমসুং কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী চেম্পিয়ন ৱেঠলিফ্টর এন কুঞ্জরানি দেবীদা খূৎশিন্নদুনা রিলে অদু হৌদোকখি। টোর্চ অদু জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা আই ও এগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিভ মেহটানা ওকখি।

সোনোৱালনা হায়খি, সাউথ এসিয়ন গেমস অসি তিন্নবা, ঈং তপ্পা অমদি নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী সিম্বোলনি। শান্নরোয়শিং অসি মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংগী স্পোর্টস এম্বেসেদরশিংনি। মসিগী গেমস



জফর ইগবাল অমদি এন কুঞ্জরানি দেবী

অসিনা নহাশিং অসিবু অহেনবা শক্তি পীরগনি হায়খি। শক্লাইরবা শান্নরোয়শিং পি গোপিচান্দ, রাজকুমার সংৱান, সীমা পুনিয়া, কৃষ্ণনা পুনিয়া, সঞ্জিট দুআ, নেহা অগ্রৱাল, গুরবাজ সিংহ, রোমিও জেমস, বহাদুর সিংহ, দেভিন্দর ভাটিয়া, বিমোলজিৎ সিংহ অমসুং ভলুন্টিয়ার চাউরাক্লা ২০০০ হেনবা অমদি স্কুল অঙাংশিংনা ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখি।গেমস অসিদা অফঘানিষ্টান, বংলাদেশ, ভুটান, মালদিভস, নেপাল, পাকিস্টান, শ্রীলঙ্কা অমদি ইন্দিয়াগী এঠলেট অমসুং ওফিসল ৩,৫০০ হেনবনা শরুক য়াগনি হায়না থাজনরি। গেমস অসি দুরদর্শন্দা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা শন্দোক্কনি।

# তেলৌ ফুটবোল

ইম্ফাল, জানুৱারি ১৮ ঃ নোংমাইকোন প্রোগ্রেসিভ য়ুঠ ক্লব চানানা শীন্দুনা অনীশুবা তেলৌ-চানা-সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়েট ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই এস দল্লিয়ু সি শামুখোক অমদি ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেচ অসিগী অতোপ্পা প্লে অমদা এস ৱাই সি সনাশাবীনা এম ৱাই সি লৈমখোং মপানবু ৬-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। নুংথিলগী মেচতা লাইকোটনা ৱাই য়ু সি য়াইঙংপোকপীবু ১-০ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ সি তেলৌ অমদি এস পি ৱাই সি সৈজাং টিম সি অনীনা গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

# মণিপুর ৱেঠলিফটিং টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ১৮ ঃ মথং থাগী ২২ দগী ২৬ ফাওবা বিহারগী কোনুং পটনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা য়ুঠ (সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস) অমসুং ৫২ শুবা মেন অমসুং ২৮ শুবা ৱিমেন জুনিয়র নেসনেল ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা ৱেঠলিফ্‌টরশিং খনখ্রে। সব জুনিয়র বোইজদা লিফ্টর ৪, সব জুনিয়র গার্লসতা লিফ্টর ৯, নুপাগী জুনিয়রদা লিফ্টর ৩, নুপীগীদা লিফ্টর ৭ অদুগা ওফিসিএল ৪ খনখ্রে।

# ষ্টেট চৈবি চেম্পিয়নশিপকী নীনি চনবা নুমিত্তা মিসিখোলনা গোল্ড মেদল ২ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৮ ঃ

ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএশন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ওদিটোরিয়মদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা য়ুনিট ১২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৫ রক শুবা মঙশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং অরাম্বম প্যুনবতি মেমোরিএল অমদি ৩০ শুবা ষ্টেট লেভেল চৈবি চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী ঙসি নীনি চনবা নুমিত্তা মিসিখোল খুরাইনা গোল্ড মেদল অনী লৌখ্রে।



থা অসিগী ২২ ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা য়ুনিট ১২ দগী লাকপা অপূনবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ১৬০ না শরুক য়ারি। ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী কেজি ২৫ দগী ৩২ ফাওবগী কাঙলুপ্তা ঐচ এল টি টি সি এগী ও এষ্ট্রিক্লা অহানবা, মতমগী এল কোরৌঙানবনা অনীশুবা অদুগা মাষ্টাগী কে লনচেনবনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে।

নুপীগী কাঙলুপ্তা মিহুলগী টি ঐচ য়াইফবীনা অহানবা, মিসিখোলগী এল রিটিপ্রিয়ানা অনীশুবা অদুগা মাষ্টাগী আর কে সনারৈমনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে। চহী ১৪ মখাগী কেজি ৩২ দগী ৪০ ফাওবগী কাঙলুপকী নুপামচাগীদা মিসিখোলগী এল ধনঞ্জয়না অহানবা, মাষ্টাগী আর কে খুম্বোকঙানবনা অনীশুবা অদুগা পি ঈ টি টিগী কে চিংলেনখোম্বনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে। নুপীগী কাঙলুপ্তা মিসিখোলগী টি ঐচ সনাথোইবীনা অহানবা, মিহুলগী টি ঐচ তনিকস্নানা অনীশুবা অদুগা মতমগী এন জি এঞ্জেলানা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে।

# অহানবা ফাইব মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ১৮ ঃ য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি) খুরাই অহোঙ্গৈ থাংজম লৈকায়না শিন্দুনা লৈকায় অসিগী গ্রাউন্দদা অহানবা ওইনা ফাইভ মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ মথং থাগী তাং ১ দগী পাঙথোক্লগনি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা খুরাই অহোঙ্গৈ থাংজম লৈকায়দা লৈবা য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্মগী মমলনা লুপা ২০০ নি। এদমিশন ফিনা লুপা ২০০০ নি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২৫ ফাওবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেল ওইনা লুপা ৩০,০০০ অমসুং ট্রোফি পীগনি। রন্নর্স-অপতসু ট্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২০ গী শেনগী মনা পীগনি। বেষ্ট টিমদা লুপা লিশিং ২, বেষ্ট প্লেয়রদা লুপা লিশিং ১ অদুগা হায়েষ্ট স্কোররদসু লুপা লিশিং ১ গী শেলগী মনা পীগনি হায়রি।

# মণিপুর সব জুনিয়র অমসুং সেনিয়র টগ ওফ ৱার টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ১৮ ঃ

টগ ওফ ৱার ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা মহারাষ্ট্রগী ঔরঙ্গবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা সব জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৫ অমসুং ২৮ শুবা সেনিয়র মেন নেসনেল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা টগ ওফ ৱার টিম শেমখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিএশন্না খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি সব জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৫ দা জেকলেন কোঙ্গেংবম, এ য়াইফথোই লুৱাং, আই নিখিল, ও ইতেন, আই রাকেস, এস ঐচ নেলসন, কে এনিসন, কেনিস ব্রাইন অমসুং টি ঐচ বিকাসনি।

সেনিয়র মেনদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি এল ক্রভিচ, এল লোকেন্দ্রো, এল লিভিস, এস ঐচ রিসিকুমার, টি দিনেস, এল গুনিন্দ্রো, এম বাল্লু, এন প্রেমজিৎ অমসুং এল চীংখৈঙানবনি।

মণিপুর টগ ওফ ৱার টিম অসিগী কোচনা কে অশোককুমার অমসুং ঐচ সৈত্যবন্তনি। অদুগা টিম মেনেজরনা কে অমরজিৎ অমসুং কে সুরেন্দ্রনি। কে কামিনি অমসুং বিনোদকুমার মখোয় অনীনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা নেসনেল রেফ্রি ওইনা শরুক য়ারুগনি হায়না মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিএশনগী চেরোলদা হায়রি।




HL-B/2805/17,19,21 Jan.



HL-B/2875/7,11,15,19,23,27,31




HL-B/2883/10,13,16,19,22,25,27,30Jan



H/L-B/2885/17,18,19,20...



HL-B/2873/3to17,19(alt.)


Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com